## ঙামীশিং থাদোকহন্নবা পি এমদা তকশিনখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

শ্রীলঙ্কান নেভিনা ফারগা লৈবাক্তুগী জেল অমদা থল্লিবা টামিল নাদুগী ঙামী ২৩ থাদোকহন্নবা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা তকশিনখ্রে।

শ্রীলঙ্কান নেভিগী ৱেবসাইট মতুং ইন্না, ওক্টোবর ১৩দা পোইন্ট পেদ্রো অমসুং ভেটিলাইকেনিগা নক্কবা শ্রীলঙ্কাগী ঈশিং শরুক্তা অয়াবা য়াওদনা ঙা ফারম্বা ইন্দিয়াগী ঙামী ২৩ অমসুং ঙা ফাবদা শীজিন্নবা ভেসেল অনী নোরদর্ন নেভেল কমান্দদা অটেচ তৌবা ইনসোর পেট্রোল ক্রাফ্ট অমা অমসুং মরিশুবা ফাষ্ট এটেক ক্রাফট ফ্লোটিলাগী ফাষ্ট এটেক ক্রাফট অমনা ফাখি।

ঙামীশিংনা ফাবা ঙাশিং সীজ তৌবগা লোয়ননা ট্রোলিংদা শীজিন্নবা ফিসিং গিয়রসু লৌশিল্লে হায়নসু নেভিনা ৱেবসাইট অদুদা পনখি। ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মরক্তা লৈরিবা নোটিকেল দিষ্টেন্স অসি নগাপাটিনামগা নক্কবা সমুদ্রদা শুপ্নগী কিলোমিটর খরদনি।

## ভেক্সিন শাবদা ইনোৎ হাপ্নবা য়ু এস দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন চীফ ইন্দিয়াদা লাক্লগনি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

ভেক্সিন শাবগী থবক ইনোৎ হাপ্নবা কুৱাদনা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা য়ু এস ইন্টরনেসনল দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসনগী মকোক থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা ইন্দিয়াদা লাক্লগনি।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ইন্টরনেসনল দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন (দি এফ সী) অসি মরু ওইনা লৱার অমসুং মিদ্দল ইনকম লৈবাকশিংদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংদা ইনভেষ্ট তৌবা ষ্টেটনা চল্লাইবা দিভলপমেন্ট ফাইনান্স ইন্সটিট্যুসন অমনি।

দি এফ সীগী চীফ ওপরেটিং ওফিসর (সী ও ও) দেভিদ মার্চুক হায়-পৱার্দ দেলিগেসন অমা লুচিংদুনা ইন্দিয়াদা ওক্টোবর ২৪দগী হৌগদবা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎ অমদা লাক্লগনি। হায়দ্রবাদতা দেলিগেসন অদুনা ইন্দিয়ন ভেক্সিন মেন্যুফেকচরর বাইওলোজিকেল ঈগী- ওফিসশিংদা চৎকনি অমসুং ভেক্সিন মেন্যুফেকচরিংগী কেপাসিটি চাওনা লৈবা অনৌবা ফেসিলিটি অমা হাংবগী সাইনিং সেরেমনিদা শরুক য়াগনি হায়না ওফিসল চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

দি এফ সীনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, থবক অসি প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং কুৱাদতা য়াওরিবা মহাক্কী লেংমান্নবশিং হায়বদি ওষ্ট্রেলিয়া, ইন্দিয়া অমসুং জপানগী লুচিংবশিংনা লাউথোকখিবা হিষ্টোরিক কন্মিটমেন্ট অদুবু লৌখৎলদুনা পায়খৎপনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪দা বাইদেননা থৌবু ওইদুনা হ্বাইট হাউসতা কুৱাদকী লুচিংবশিং মশা মশা লাক্তুনা য়াবা সম্মিট অমা পাংথোকখিবনি।প্রসিদেন্ট বাইদেননা ইনভাইট তৌবদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, মহাক্কী লেংমান্নবশিং ওষ্ট্রেলিয়াগী মোরিসন অমসুং জপানগী য়োশিহিদে সুগানা কুৱাদ সম্মিট অদুদা শরুক য়াখি।

সম্মিট অদু লোইরবা মতুংদা কুৱাদ লুচিংবশিংনা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লদুনা হায়খিবদা, কোভেক্সকী খূত্থাংদা ফাইনান্স তৌবা দোজশিংগী মথক্তা লৈবাক মরিগী ব্লোক অসিনসু মালেমদা সেফ অমসুং ইফেক্টিভ ওইবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ বিলিয়ন ১.২ হেন্না দোনেসন তৌগনি হায়না থাজবা পীরি। হৌজিক ফাওবদা কুৱাদনা ইন্দো-পেসিফিক লৈবাকশিংদা সেফ অমসুং ইফেক্টিভ ওইবা, ক্বালিটি লৈবা ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ৭৯ রোম পীখ্রে।

মার্চিকনা ওক্টোবর ১৮দগী সাউথ অফ্রিকাদা ভিজিট তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়াদা লাক্কনি। মহাক্কী সাউথ অফ্রিকা অমসুং ইন্দিয়া খোঙচৎ অসিগী পান্দমদি গ্লোবেল হেল্থকা মরী লৈনবা অমসুং চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন প্রদক্সনগী কেপাসিটি হেনগৎনবা দি এফ সীগী ইনভেষ্টমেন্ট হেনগৎহনবনি। দি এফ সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওফ দিভলপমেন্ট ক্রেদিট জিম পোলান অমসুং দি এফ সীগী অতৈ সিনিয়র ষ্টাফসু সী ও ওগী খোঙচৎ অসিদা য়াওগনি।

## এল ঈ টিগী টোপ কমান্দর য়াওনা কাপ্নবদা টেররিষ্ট অনী হাৎখ্রে

শ্রীনগর, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

থাংজ নুমিৎতা সাউথ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাম্পোরেগী দ্রাংবাল এরিয়াদা টেররিষ্টশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা এল ঈ টিগী টোপ কমান্দর হাৎখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না, খূৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখিবা এল ঈ টি কমান্দর অদু পুলিস পর্সনল অনী হাৎখিবদা চৈন্নে।

পুলিসনা হায়, শ্রীনগরগী বাঘটতা চা থক্লিঙৈদা ঐখোয়গী কোলিগ অনী- সেলেক্সন গ্রেদ কন্সটেবল (এস জি সী টি) মোহমদ য়ৌসুফ অমসুং কন্সটেবল সুহাইল অহবু হাৎখিবা এল ঈ টি টেররিষ্ট উমার মুষ্টাক খান্দে পাম্পোরেগী দ্রাংবালদা হাৎলে। টেররিষ্টশিংগী তোঙান তোঙানবা ক্রাইমশিংগী মনুংদা মসিনা খ্বাইদগী হেন্না ঙাকপীনিঙাই ওইদে।

মীয়ামদা অকি তুজুং পোকহল্লিবা অমসুং তম্পাক অসিদা চরাংনবা ফিভম কয়া থোকহল্লিবা টেররিষ্টশিং অসিবু ঐখোয়না ফংনবা থীরগনি। অসিগুম্বা এলিমেন্টশিং অমসুং মখোয়গী মমিং খুন্নাইদগী মাঙহনবা মথৌ তাই।

থাংজ নুমিৎতা সাউথ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পামপোরেদা লৈবা দ্রাংবাল এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেররিষ্টশিংগা কাপ্নবা অদুদা টেররিষ্ট অমসু হাৎখি। টেররিষ্ট লৈরে হায়বা ইন্টলিজেন্স ইনপ্যুটতা য়ূম্ফম ওইরগা পুলিস অমসুং আর্মিগী অপূনবা টিম অমনা এরিয়া অদু কোর্দন তৌবগা লোয়ননা সার্চ ওপরেসন অমা চথবদা টেররিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপ্লকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু হন্দুনা কাপখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবনি। অমরোমদা, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী জে এন্দ কেগী পুঞ্চতা এন্টি-টেরর ওপরেসন লেপ্তুনা চথরক্লিঙৈ মরকসিদ ইন্দিয়ন আর্মিনা শগোলশেন নুমিৎতা মাঙখিবা লান্মী অনী খোঙ্গুল লীবগী অচৌবা কোম্বিং ওপরেসন অমা হৌখ্রে।

মাঙখিবা পর্সনলশিংদুগী মনুংদা জুনিয়র কমান্দিং ওফিসর অমা য়াওরি। আর্মিনা হৌজিক ফাওবদি মহাক্কী মশক তাকথোক্ত্রি। টেররিষ্ট লৈরে হায়বা পাউ পীরকপদগী আর্মিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দেরা কি গলিদা কোম্বিং ওপরেসন চথবা হৌখি। কাপ্নবা হৌবদা জুনিয়র কন্মিসন ওফিসর অমা য়াওনা লান্মী মঙা শিখিবনি।

## ওবজর্ভেসন হোমদা জুভেনাইল ১ সুইসাইদ তৌখ্রে

পটনা, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

বিহারগী ভোজপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চিলদ্রেন ওবজর্ভেসন হোম (সী ও ঐচ) অমদা মশাগী চহী ১৬ শুরবা জুবেনাইল অমা সুইসাইদ তৌখ্রে।

ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ওফিসলশিংনা মোনু কুমার কৌবা ভিক্টিম অদুগী থৱায় কন্নবা চঙশিনখিবা মতমদা চরাংনবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা অতৈ ইনমেট ১০ সী ও ঐচ অদুদগী চেনখি।

সী ও ঐচ অদুগী সুপরিন্টেন্দেন্ট রভি শঙ্কর ভর্মগী মতুং ইন্না, ওবজর্ভেসন হোম অদুদা জুভেনাইল ইনমেট ৮৭ লৈ। লৈখিদ্রবা নহা অদু ওক্টোবর ৬তা সী ও ঐচ অদুদা থমখিবনি।

ভর্মানা ফোঙদোরকপদা, ভিক্টিম অদু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু ফিনাইল থক্লগা সুইসাইদ তৌনবা হোৎনখি। ইনমেট ৮৭কী মনুংদা ১৪ দি ক্বারান্টিন সেন্টরদা থমখি। মোনুসু ক্বারন্টিন সেন্টরদুদা থমখি। মহাক ৱাশরুমদা থৌরী য়াল্লগা শিরম্বনি। থৌদোক অদুগী পাউ ফংবগা ঐখোয় মফমদুদা থুনা চঙশিনখি। মহাকপু ঐখোয়না রেস্ক্যু তৌখি অমসুং হোস্পিটাল অমদা পুখি। তৌইগুম্বসুং দোক্টরশিংনা মহাক শিরে হায়রকখি। চরাংনবগী খুদোংচাবা লৌরগা জুভেনাইল ইনমেট ১০ মফম অদুদগী চেনখ্রে, মখোয় থীরি।

## এন আর আই বিজনেসমেন হাৎপগা মরী লৈননা মচিন মনাও মরি ফারে

হায়দ্রবাদ, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

দুবাই-বেজ নন-রেসিদেন্ট ইন্দিয়ন (এন আর আই) বিজনেসমেন অমা হাৎপগা মরী লৈননা হায়দ্রবাদ পুলিসনা মচিন-মনাও মরি ফারে।

এন আর আই বিজনেসমেন হাৎপগী মরাল শীরিবা এক্যুজ মচিন-মনাও মরি অদু রায়ীস জাবরি (২৩), অদিল জাবরি (৩২), সাদ সালেহ জাবরি (২৯) অমসুং সয়ীদ সালেহ জাবরি (৩৪) কৌই।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা ভিক্টিম হমেদ বিন অলি জুবাইদিনা হায়দ্রবাদ এয়রপোর্টতা মহাক্কী গোল্দ পার্সেল পুরিঙৈদা ফাখিবা মখোয়গী মনুংদা অমগী মাঙখিবশিং অমসুং নংখিবা অৱাবশিংগী কম্পেন্সেসন পীয়ু হায়বদা য়াদবদগী মখোয়না মহাক্কী মথক্তা লমন খুন্বা পামখি হায়রি।

দেপ্যুটি কন্মিস্নর ওফ পুলিস (দি সী পি) গজারাও ভুপালগী মতুং ইন্না, দুবাইদগী লাকপদা রায়ীসপু সনাগা কোন্ননা ফাখি। মহাক দুবাইদা থবক তৌবা মীওই অমনি। রায়ীসকা খঙনবা বিজনেসমেন জুবাইদিনা মঙোন্দা পেকেট অমা শিন্নখি অমসুং মদু মহাক্কী য়ূমদা পীবিনবা হায়খি।

পেকেট মনুংদা য়াওরিবদু করিনো হায়বা খঙখিগদবা রায়ীস ফাখি অমসুং মহাক্কী পাসপোর্ট সিজ তৌখি। মসিগী মতুংদা জুবাইদিনা রায়ীস অমসুং মহাক্কী মচিন-মনাওশিংদা লিগেল কেসতা মতেং পাংগনি অমসুং ফাজিনখিবা মহাক্কী পাসপোর্ট ফংহন্দুনা মহাকপু থবক পীগনি হায়না থাজবা পীখি।

অদুম ওইনমক, মহাক্না হৌখিবা এপ্রিলদা হায়দ্রবাদতা লাকখিবা মতমদা মহাক্না ৱাশকখিবশিংদু ঙাকউ য়াখিদে। থৌওং অসিদা খোইরাং খোইশাওনরবা এক্যুজশিং অদুনা ওক্টোবর ১৩দা মঙোন্দা থাঙ শীজিন্নরগা এটেক তৌখি অমসুং মহাকপু হাৎখি।

পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদো-রকপদা, বিজনেসমেন জুবাইদি চন্দ্রয়ানগুট্টাদা হাৎখি অমসুং সাউথ পুলিস জোননা মচিন-মনাও মরিদুদগী মোটোর সাইকল অনী, থাঙ অনী অমসুং মোবাইল ফোন মরি রিকোভর তৌখি। ইনভেষ্টিগেসনদা মচিন মনাও মরিনা জুবাইদিগী য়ূমদা লাক্লগা মহাকপু হাৎকনি হায়না কিহনবদগী মহাক্না চন্দ্রায়াগুট্টা পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন তৌখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা এক্সন লৌখৎখিদে।

## সিংহুগী মীহাৎ: নিহাং সিখ অমা সরেন্দর তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা সিংহু বোর্দরদা নুপা অমা তমথিনা হাৎলম্বগী থৌদাং নিহাং সিখ অমনা য়াজখ্রে। সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না, সরাবজীট সিংহ কৌবা নিহাং অদু পুলিসতা সরেন্দর তৌরখি অমসুং মহাক থাংজ নুমিৎতা কোর্টতা পুথোক্কনি।

সোর্ছশিংনা হায়, সিংহু বোর্দরদা নিহাং কাঙবু অমনা পুরকপা শগোলশিং সরাভজীট সিংহনা য়েংশিনখি। লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা খোল্লাও কয়া লাউখিবা মীয়াম মমাঙদা সরাভজীট হরয়ানা পুলিসতা সরেন্দর তৌখি। ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা তমথিনা হাৎলবা মখুৎ কক্লবা নুপা অমগী হকচাং হরয়ানা-দেল্লী সিংহু বোর্দরদা লৈরম্বা থেংনখি। অশিবা হকচাং অদু লৌমীশিং চহী অমা চুপ্না সেন্টরগী ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌরক্লিবা মফমদুমক্তদা লৈরম্বা থেংনখি।

নুপা অদু সিখশিংগী শেংলবা লাইনিং লাইশোলগী লাইরিক অমবু উশিৎ-থওইদবা কয়া উৎলিঙৈদা ফাখিবনি হায়না রিপোর্ট খরনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মদুগী ওফিসল কনফর্মেসনদি লৈত্রি।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপা ভিদিও কয়াগী মতুং ইন্না, নুপা অদু টোর্চর তৌরবা মতুংদা তমথীনা হাৎখিবা ওইবা য়াই।

চৈরকসিদা, পঞ্জাবকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর প্রকাশ সিংহ বাদলনা সিংহু বোর্দরগী থৌদোক পরিং অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা তমথিনা হাৎপা য়াওনা হঙ্গোইনিঙাই ওইরবা ক্রাইম অদুগী এঙ্গল খূদিংমক মীচঙ-মীখাই নাইদনা থীজিন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

মহাক্না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, চাওখৎলবা সোসাইটি অমদা শেংলবা স্ক্রিপচরশিং উশিৎতবা তৌবা নৎত্রগা শাথিবা ভাইওলেন্সকী মফম লৈতে।

## কস্যু ফেক্টরিদা হাৎখিবা ৱর্করগী ইমুংদা লুপা লাখ মঙা পীখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

দ্রাভিদা মুন্নেত্রা কাজাম (দি এম কে)গী এম পি টি আর ভি এম রামেশকী কস্যু প্রোসেসিং য়ুনিটতা থবক শুবা কে গৌভিন্দরাসুগী ইমুংদা পাট্টালি মক্কাল কাটচি( পি এম কে)না লুপা লাখ মঙাগী শেলগী মতেং পীখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, পি এম কেগী লুচিংবা অনবুমানি রামাদোসনা গোভিন্দারাসুগী ইমুংগী মীওইশিংদা লুপা লাখ ৫গী চেক অমা শিন্নখ্রে। রামাদেশনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী ইমুংদা মহাক্কী মশুশিং মহৈ তম্বগী চাদিং পূম্বা পি এম কেনা য়েংশিনগনি হায়না থাজবা পীখি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, গোবিন্দারাসু রামেশকী কস্যু প্রোসেসিং য়ুনিটতা চহী ৭ থবক তৌখি। সেপ্টেম্বর ২০দা গোভিন্দারাসু কস্যুনট হুরানবগী মরাল শীখি অমসুং মহাকপু মীওই মঙানা য়ুনিট অদুগী প্রোমিসিসতা ফূখি।

মতুং তাবদা হুরানবগী কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌনবা গোভিন্দারাসুবু পুলিস ষ্টেসনদা পুখি। মশাদা ঈ থোক্লা শোকপদু উবদগী পুলিসনা কস্যু য়ুনিট ৱর্করশিংদা মহাকপু হোস্পিটাল অমদা পুনবা হায়খি।

অদুম ওইনমক, মখোয়না গোবিন্দারাসুবু কস্যু য়ুনিট অদুদা পুখি অমসুং অকোনবদা মহাক শিরম্বা থেংনখি। রামেশ অমসুং দি এম কেগী অতৈ লুচিংবশিংনা মীওই অদুনা শিরিবদু সুইসাইদ অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং দি এম কে এম পি অদুগা অমসুং মহাক্কী ওফিসলশিংনা মহাকপু হাৎখিবনি হায়না মহাক্কী ইমুংনা মরাল শীখি।

ꯀꯣꯃꯦꯠ

# COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

## ADMISSION OPEN

For

## MEDICAL REGULAR COURSE 2021-22

For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in

☞ Last date of form submission & Admission : 18th October, 2021

☞ Class commencement from : 18th October, 2021

**Free Studentship available**
**(Limited seats based on first come first serve basis)**

**Special Features**

☞ Zoom Live Classes for all subjects (Monday to Saturday)
☞ Recorded videos will be provided for all subjects (Monday to Saturday)
☞ Assessment test every Sunday (during pandemic).
☞ If there is any holiday on the day of test, test will be held on the next day.
☞ After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
☞ Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
☞ Study Materials will be provided.

**Note: Normal physical classes will be conducted with S.O.P. once permitted by govt. of Manipur.**

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

HL-B/7212/12,13,15,17

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 227/SDC/NTK/2021**

1. Khangembam Sobha Singh S/o Late Kh. Irabot Singh of Naranseina Mayai Leikai
2. Khangembam Ranjit Singh S/o - do - of - do -

..... Petitioners

-Vs-

Late Khangembam Irabot Singh S/o Late Kh. Mani Singh of Naranseina ..... Opponent

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Ningthoukhong, the 16th October, 21

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি 44-Naranseina Village গী Patta No. 340 (O), 238/1074 (N) C.S. Dag No. 1217/1871 Area 0.27 acre গী ইংখোল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপাশিং (Petitioner) অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/0371/17

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 228/SDC/NTK/2021**

1. Konthoujam Bina Devi W/o Late Konthoujam Krishnakumar Singh of Ningthoukhong Ward No. 5 ..... Petitioner

-Vs-

Late Konthoujam Krishnakumar Singh S/o Konthoujam Madhumangol Singh of Ningthoukhong Kha

..... Opponent

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Ningthoukhong, the 16th October, 21

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. (1) 35 (O), 126 (N) C.S. Dag No. 1125/3737 and 1362 Area 1.205 acre গী ফৌরেল অমদি (2) 358 (O), 139/1186 (N) CS Dag No. 2316/2797 area 0.08 acre ইংখোল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী নুপী (Petitioner) অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অসিনা লৌফম অমদি ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/0371/17

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SCs

1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T.-Line, Imphal, Manipur

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

Imphal, the 14th October, 2021

**No. A/4/NSP/OBC&SC-2021/744:** It is hereby notified for information to all concerned that the last date for online scholarship registration of Scholarship Schemes viz., OBC (Pre-Matric & Post Matric), SC (Pre-Matric & Post Matric) and EBC Post-Matric based Scholarship Schemes, for students belonging to the notified OBC, SC and EBC Communities for the year 2021-2022 thereof by authorities at State level / Institute level on National Scholarship Portal (www.scholarships.gov. in) are extended as per the timelines given below:

| Scholarship Schemes | Online Registration closing Date | Defective Verification | Last Date for Online Verification at Institute Level (L1) |
|---|---|---|---|
| Centrally sponsored Post Matric Scholarship for OBC students Manipur | 30th November, 2021 | 15th December, 2021 | 15th December, 2021 |
| Centrally sponsored Pre Matric Scholarship for OBC students Manipur | | | |
| Centrally sponsored Post Matric Scholarship for SC students Manipur | | | |
| Centrally sponsored Pre Matric Scholarship for SC students studying in class IX and X Manipur | | | |
| Dr Ambedkar centrally sponsored Post Matric Scholarship for EBC students Manipur | | | |

2. For further details, please contact the Scheme officer (OBC&SC), Manipur and helpline number **9774496772** during office hours or at the enquiring mail: mobc-scholarships@googlesroups.com.

Sd/- *Ng. Bhogendra Meitei*
Director (OBC & SC),
Government of Manipur

HL-B/7223/17

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### SECRETARIAT: GENERAL ADMINISTRATION DEPARTMENT

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

Imphal, the 15th October, 2021

**No. 2/5/2019-GAD :** In connection with recruitment of 47 (forty seven) posts of Stenographer Grade-III in General Administration Department, ***"ADMIT CARD"*** will be issued **w.e.f. 13th October, 2021 to 23rd October, 2021 at Room No. 206, GAD Establishment Section, South Block, Manipur Secretariat during the office hours.**

2. Candidates are requested to carry a copy of their passport photo, Exchange Card and Receipt copy while collecting the Admit Cards.

3. Further, the following candidates are rejected :-
   a. Nongthongbam Biphani Devi of Luwangsangbam Makha Leikai.
   b. Machek Saampar Samuel of Rem Colony Tarung.
   c. Mangte Ningkham Kom of KR Land Golapati.
   d. Lungthaorei Kamson of Kakhulong Paona Bazar.
   e. Manzelching of New Lamka Churchandpur.

Sd/- **Sunanda Thokchom**
Under Secretary (GAD)
Government of Manipur.

HL-B/7220/16 & 17

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### COMMAND AREA DEVELOPMENT DEPARTMENT MANIPUR.

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

Imphal, the 16th October, 2021

No. 4/CADA-DPC/2016 (Pt.) : In continuation of this Department's Notification of even No. dated the 21-11-2019, 31-08-2021 and 16-09-2021, this is to inform to all the candidates whose names are sponsored by the Employment Exchanges of all Districts of Manipur for recruitment to the post of 1 Lower Division Clerk 2. Driver in the Command Area Development Department to note the following schedule for the conduct of the written examination

| Sl. No. | Name of Post | Date of issue of application forms & submission of duly filled in forms | Date of issue of Admit Card | Date, time and centre of examination |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Lower Division Clerk | 16th October, 2021 to 28th October, 2021 upto 4:00 pm | 28th October, 2021 to 30th October, 2021 | Will be indicated in the Admit Card |
| 2. | Driver | Completed | -do- | -do- |

Form will be issued on payment of Rs. 500/- (for General and OBC Candidates) and Rs. 300/- (for SC & ST ) from the office of the undersigned.

Sd/- Suresh Singh Ningombam
Additional Chief Engineer,
Command Area Development Department,
Manipur.

HL-B/7227/17,18

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### DIRECTORATE OF HEALTH SERVICES

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

Imphal, the 14th October, 2021

No.104/1/2021-DHS: With the approval of the competent authority, all the NEET-UG, 2021 qualified and eligible candidates of Manipur are hereby informed that the Application Form for counselling for selection and nomination of candidates of MBBS/BDS/BASLP courses 2021 will be available at our official website: www.manipurhealthdiretorate.in and the details of activities as follows:

| Sl. No. | Activity | Date |
|---|---|---|
| 1. | Issue of Application Forms | From 20th October, 2021 |
| 2. | Last date of submission of Application Form along with a fee of Rs.650/- for Gen & OBC and Rs.400/- for ST/SC | On or before 3rd November, 2021 |
| 3. | Issue of Acknowledgement Card | 10th to 15th November, 2021 |

**Further information of the date and venue of counselling will be uploaded on our official Website: www.manipurhealthdirectorate.in.**

i). Any eligible candidate or his/her authorised attendant who are absent on the previous counselling shall not be allowed to attend the subsequent counselling/s.
ii). Any eligible candidate or his/her authorised attendant should produce all the necessary original certificates at the time of counselling failing which his/her right to get a seat will be forfeited and chance will be given to the next eligible candidate. No claim shall be entertained latter on.
iii). In case of authorisation, candidates should obtained the prescribed authorisation letter from Medical Directorate, Lamphel before the date of counselling. The prescribed authorisation letter shall not be issued to any candidate on the date/day of counselling.
iv). Roster Point of 200 and the existing reservation policy of Government of Manipur shall be adopted in the allotment of available seats.
v). The Degree and nature of disability for PwD candidates shall be assessed by the duly constituted State Medical Board, Medical Directorate, Lamphel prior to the date of counselling.
vi). The filled up application Form should be submitted to the Medical Directorate on or before the last date of submission along with necessary fee (cash only).
vii). At the time of submission of application forms every candidates should wear face mask properly, maintain a distance of 6 ft. and sanitize hand.

**Sd/- Director of Health Services, Manipur.**

HL-P/0372/17,18